# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩৮

**- ডা. এল শশীকুমার -**

মণিপুরগী মফম খুদিংমক তংদু লৈতানা, ঈংনা-চিক্লা লৈমিন্নবা হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী কুমজা ২০১৯ ফাওবসি ওম্থোক্লা ৱানা খাঙনরক্লে। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনদি য়াম্না ঈংনা-চিক্লা লৈবগুম মতম চূপ্পদা ৱাজাউ ঙাঙলি। চীং-তম, খুঙ্গং-সহরগী মফম খুদিং অহোঙবা অওনবা খরদি লৈতবা নত্তে। হোংলকই, অহোংবা কয়া ওল্লকই। অওনবা পূম্নমক অসি লৈঙাক্লা য়াম্না কূপ্পা নৈনবীগদবনি। মসি ঙম্নমক ওন্দে, হোঙদে হায়বদি য়াররোই। পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী শক্তমসু ওল্লে, মীওই মীশক খরদি ময়েক শেংনা ওল্লে। এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইখিবশিং মখাদগী মতোন ফাওবা হোংলে, ওল্লে। মসিগী অহোংবা/অওনবসিরা মীয়াম্না পাম্নরিবা? মতম খরা এম এল এ, মন্ত্রি এম পি ওইহৌরবা মশা মশাগী মরল-মথুম দুকান প্লোট খরা লৈশিনহৌবনচিংবা খরদি লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা অহোংবসিরা ঙসিগী মীয়াম্না পাম্নরিবশিং।

দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্তা থোরক্লিবা ৱাথোক, লাম্থোক কয়াশিং অসিনা অচুম্বগী শক্তম নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা নুংশিনবগী চাং খম থেংনা মাঙথরক্লে। পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিংগী লমচৎ-শাজৎ হোংলকপা অসিনা ঙসিগী মীয়াম্না পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক, পোলিটিসিয়ন পূম্নমক থাজবগী ৱাংমদা লাক্লে। মসিমক মতম মতমগী লৈঙাকশিংদগী ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। মতম শাংনা লৈঙাকচরক্লবা কোংগ্রেসতা শেঞ্জাও পায়বা হুরান চিঙ্থি তৌরগা আইন্না য়াদবা অরোনবা করবার তৌরগা তাঞ্জরকপা, মীহাৎ-মীপূন কয়াগী মশাদা কেস কয়া লৈরবা মীশক/মীওইশিংনা পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লক্তুনা মীবু মীনা ওৎপা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিমক দেমোক্রেসিগী খ্বাইদগী তমথীরবা লীচৎ ওইরকখি। মরম অদুনা অফবগী মতৌ তম্বগী মহুত্তা ফত্তবা নম্বর ফোর লল্লোনবা নুপী অঙাংগী ইজৎ খোঙ্গোইনবা, মপুন্সিদা মীয়ামগী মাঙননবা তৌবা কয়াবু পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লক্তুনা দেমোক্রেসিগী মশক নোংম-নোংমগী মশক থিহল্লি। ঙসিগী লৈঙাক অসিদা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা মতম শাংনা পোলিটিক্স য়াওজরক্লবা কয়াবু শেঞ্জা-থুমজা শঙ্গ-পঙ্গ য়াওজদ্রবশিং ভোট লেপ্পা ঙম্নরক্তবসি মপূং ওইনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা চৎনবী ওইরক্লে। মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী শাথিরবা লায়না অমা ওইনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রম্বা শঙ্গ অচৌবা তৌরম্বা লৈঙাক্কী মখাদা ফমজাও পায়রম্বশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লকপা হায়বসি অফবা খুদম নত্তে। মতম অমদা লৈঙাক্কী ফম পায়রিঙৈদা শেঞ্জা-থুমজা তৌরগা থবক হাপ্লম্বা, মীহাৎ-মীপূন কয়া তৌরম্বা, মমিং চৎলবা ব্যুরোক্রেট ওফিসর কয়ানা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা পোলিটিক্সতা য়াওশিন্দুনা দেমোক্রেসিগী তরু-তরুবা শক্তম নোংম-নোংমগী মাঙহল্লক্লিবসি খঙনা খঙনা মমাই চুমথোকপা ঙমদবসি অচৌবা অচুম্বগী মায়োক্তা চাউনা শিংনবনি।

তশেংনমক পোলিটিক্স হায়বসি অচৌবা মী লল্লোনফমগী অফোঙবা করবার অমা ওইনা পায়খৎনরকপা ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। অদুবু মসি পূম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা হুরানবা শেঞ্জা থুমজা কয়াদা চেন্নরম্বশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীদুনা অচুম্বগীদমক অওনবা তরু-তরুবা লৈঙাক পুরকপগী মহুত্তা অরানবা থবক তৌমিন্নরকপা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংবু পোলিটিক্সতা পুশিল্লক্তুনা ভোট লেপমিন্নদুনা লমদমসি থক-খা ওন্নবগী পান্থে শীজিন্নরকপা অফবা খোঙথাং নত্তে। মসিগী মথক্তা ভোটকী মতমদা মীচম মীয়াম লৈবগী থবক চত্থরকপা, অচুম্বগী মফম মাঙহল্লকপা, খঙনা খঙনা লায়রবা মীয়াম্বু নাকোয়ননা খুদুম চনশিল্লক্লিবশিং মতিক চাবা চুমথোক্লবগী তাঞ্জাদা খুরৌ থাংবা নোংমা নোংমগী হেনগৎহল্লি। মসিমক্লা লমদমসিদা অচুম্বগী মফম মাঙশিল্লক্লে। অসিগুম্বা কয়াসিনা পোলিটিক্সপু মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউরবা মী লল্লোনফম ওইনা চত্থরকপসিমক ঐখোয়গী আইন্না থিংহৌদ্রবদি লমদমসি মীওই খুজোক খরগী মখূৎতগী কৈদৌনুংদা কনবা খক ঙম্লরোই। মপূং ওইনা মণিপুরগুম্বা অপিক-অপিকপা ষ্টেট খরদদি য়েলহৌমী মুখৎনবগী খ্বাইদগী লায়রবা পান্থে ওইরক্কনি। খুদম ওইনা হন্দক্কী সিটিজনশিপ বিলগী মতাংদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না হৌনরকখিবা বি জে পি লৈঙাকপু পাম্নরকখিদবগী ঈহৌ মীয়াম্না খঙনখ্রে। অদুবু ঙরাং নহান্তা পাঙথোকখিবা এম পি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিবু পারা তম্বীবগী মহুত্তা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ পঙ্গগী ঈরাংদা বি জে পিবু মকা ফোংনা শৌগৎনরকপা অমা থোকখিবরা? শেঞ্জাও পায়বা, শঙ্গ পঙ্গগী লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাবা কা হেন্না লৌনরকপা থবক্লা ময়েক শেংনা উনখ্রে।

মপূং ওইনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাবা লৌরম্বা কোংগ্রেসনা চত্থরম্বা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গদা পায়খৎলকপা থবক কয়া মীয়াম্না উনরি। মসিগী মথক্তা হেন্না শাথিবা ফোংনা চত্থরকখিবা খঙনা খঙনা, উনা উনা মীচম মীয়ামসু ৱাখল তাবগী মহুত্তা চোংশিন্দুনা মতেং পাংলক্লিবা অসিগী ৱাহম্থোক লৈরিব্রা? হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা সিটিজনশিপ বিল পুথোকপা ঙমহৌদ্রবসু মথংগী লৈঙাক্তা বি জে পি লাক্লবদি শোয়দনা সিটিজনশিপ বিল পাস তৌগনি হায়না ফোঙনা লাউরবসু মীচম মীয়াম্না তেংবাংলকখিবা শোয়দনা উনরমগনি। তশেংনমক লাক্কদৌরিবা মথংগী লৈঙাক অসিদা শেঞ্জা থুমজা অমদি মখল মখা কয়াগী পৱার শীজিন্নরকপগী খুদম মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরক্লগনি। মরম অদুনা মণিপুর মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌগনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরম্বা ঐখোয়গী লুচিংবা সী এমগী এ সীদা নম্ফু-হাফু, শেঞ্জা-থুমজা কয়া শীজিন্নরকপা চন্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মরম অদুনা লৈঙাক পুমিন্নরিবা, লৈঙাক্কী অচৌবা থবক থৌরমদা থৌদাং য়ামিন্নরিবা এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী মনুংদা তোখায় তোখায়বা শক্তম লাক্লিবা কয়া অদু এ সীগী মীয়াম্না ফজনা খঙনরকখ্রে। হন্দক্কী এম পিগী ভোট লোইরগা মণিপুরগী লৈঙাক্কী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লাক্লগনি। মীয়াম্না মপান্থোংদা ফজনা উজরবসু লৈঙাক মনুংদা নাকপাক-নাকপাক, খাইবুং-খাইবুং তানবগী শক্তম উৎনা-ৱাইনা খুম্বা ঙম্লরোই। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা চাদা ১০ হায়না ঙাঙনরম্বদু হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না চাদা ৩৫ হায়নরক্লিবসিগী অচুম-অরান মীয়াম্না লেংদ্রবা খুদম চাংদমনি। মরম অদুনা হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না বি জে পিবু পাম্নদ্রবসু পাৱর অমদি শেঞ্জা থুমজানা বি জে পি, কোংগ্রেস, সী পি আই অহুম্না লাইবক লেপ্নরগনি।

মরম অদুনা নম্ফু, পাৱরগী মফম, অচুম্বগী মফমগী লাইবক চাং ফজনা উনরগনি। ঐখোয়গী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মাঙথরক্লিবা, শোকচিল্লক্লিবসি টি বি/কেন্সরগী লায়নাদগী হেন্না শাথিবা ওইরক্লে। মীয়াম পূম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা ঙসি ফাওবা লেল্লক্লি। মীয়াম্না থাজবা থল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অশোয়বা অরানবা লোৎশিন্দুনা থম্বা কৈদৌনুংদা ঙম্লরোই। লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা মীয়ামদা উৎ চাইবা কয়াম কুইনা য়াগনি। ওম্থোক্লা তাবদা ফজরবা 'খুঙ্গং চৎলু', 'চীংদা চৎলু' অনৌবা মথেল, অনৌবা পাউজেলনি। খুঙ্গং চৎলুনা করম্বা কান্নরবা থবক পায়-খৎপীরবনো, চীংদা চৎলুনা করম্বা খুদোংচাবা পীবিরবগে? খুঙ্গংগী কাচিন কোয়া, লমলেম, লমহাংগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং কদাইদা করি শেম্বীরবগে? লৈঙাক্কী শেনফমদি চাউনা কায়থোক্লগনি। খুঙ্গগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং করম্বা খুঙ্গংশিংদা পায়খৎপীরবগে? লমগী, খুঙ্গংগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরিবশিং চুমথোকপীরবগে। চীংগী শরুক খরদা মসিমদি বি জে পি লৈঙাক অসিনা চুমথোকপীরে হায়বা পাউ ঙসি ফাওবা ফোঙনরকপা, ঙাঙনরকপা লৈতে। খুঙ্গংগীসু অদু মঙাই।

মসিগী মখা চত্থরকপদা লৈঙাক্কী লোইশঙ খুদিংমক্তা করম্বা দিপার্টমেন্টশিংদা অফবা থবক পায়খৎপীরবগে? মপূং ওইনা লৈঙাক্কী য়াংলেন শরূ ওইরিবা সেক্রেটরিএটতা থবক তৌরিবশিং থবক কাদবগী ৱাথোক ওইরিবসিদা লৈঙাক অসি মপানথোং ফজবনি, মনুংদনা শাথিনা ফত্তে হায়বা ফোঙদোরকপা তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মসিগী মথক্তা থবক কাদ্রবদি তোলোপ ফংলরোই খনবসু অফবা খোঙথাং নত্তে। মসিদি মথক থোংবশিংনা মখা থাবশিংদা চৎন-কাঙলোন চুম্না চৎনদবদগী ওইরকপনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক অসি ফৈ-ফত্তে হায়বা ঙসিদি ময়েক শেংনা খঙনরগনি। মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদা চত্থরম্বা কয়াগী অহোবা, অফবা খঙলগা নাকোয়ননা অফবা অশিংবা শাবনদি মতম কয়া কুইনা চৎনগনি। অদুবু মদুগী মতিক ময়াই ঙসিদি চহী ২ রোমসিদা ময়েক শেংনা খঙনা উনরক্লে। অদুবু শেঞ্জা থুমজাদি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরমগনি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অনী মমাঙথক্কী ভোটতগী তোপ তোপ্পী। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক তরাই তরাইররোই। অদুবু ভোটকী তোঙানবা খোঙফম য়েংলবসু শেঞ্জাও পায়বা, পাৱর লৈবা বি জে পিসু নমদুনা লৈঙাক পায়ননবা হোৎনরক্কনি। ঙসিগী ২১শুবা চহী অসিদা শেল পামদবা এম এল এ, এম পি, পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লৈত্রে। মরম অদুনা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক অনৌ অনৌবা পার্টি লীংখৎনরকপা তরাইবা নত্তে। মণিপুরদসু ময়েক শেংনা উনখ্রবদুনি মপুন্সিদা মশা মশাগী ফিরেপ লৈতবা কয়া পার্টিগী লীদর শানরকপা, শেলনা মীয়াম মমায় থকহনবা ঙম্বা মীগী মশীং য়াম্না চোংথোরক্লে। দিপোজিৎ মাঙগনি খল্লবসু ভোট লেপকনি চোংথোরকপা য়াওদবা নত্তে। পোলিটিক্স হায়বসি লৈবাক্কী থবক তৌরগা মীংচৎ তানগে খন্দবা মীসু লৈতবা নত্তে। অদুবু মণিপুরদি অতৈ অতৈ ষ্টেটকা চাং তম্নরুবদি হীরম খুদিংমক্তা নোপ্লরোই।

ঙসিগী হাবি-জাবি, শেঞ্জা-থুমজাগী কল্লবা ঈচেল অসিদা মীতৌ তম্বগী খম থেংনা চত্থনরকপা মতমসিদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু ফত্তে খঙনা-খঙনা, উনা-উনা থাংজিন্নরকপা খোঙথাং মীয়াম্না খঙনখ্রে। খুদম অমতং পঞ্জরবদা সিটিজনশিপ বিলগীদমক খম থেংনা মীয়াম হুপ্পা থেংনমিন্নবগী ঈরাং মরক্তা হন্দক্কী এম পিগী ভোটকী মতাংদা বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইরিবনা মথংগী বি জে পিগী লৈঙাকলক্লবদি শোয়দনা বিল পাস তৌগনি হায়না ফোঙনা লাউথোকপা ঙল্লিবসিদা মণিপুরী মীয়াম্না বি জে পিদা অমুক হন্না ভোট পীনবগী খুদম ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। মসিগী মথক্তা সী এমগী এ সী লোয়ননা মিনিষ্টর অমগী এ সী অনীসি ভোট ফাওবা হন্নখ্রিবা তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মসিমক পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমদি ওইনহৌরগনি। মপান্থোংদা ৱারক্কী তয়ানগুম্বা বি জে পিগী অকনবা শাফু ইকোম কোম্না চন্না খন্দোকপা য়াররোই। মসিমক্লা মণিপুরী খুন্নাইবু নুংশিবা, মণিপুরী মীয়াম্বু নাকোয়ননা থম্বীরগা অফবা শাবা পূম্বা মীয়াম্না খঙমিন্নরসি। মপূং ওইনা সেন্টরনা নমদুনা বিল পাস তৌগনি হায়না ফোঙনা লাউথোক্লবসু মীয়াম্না হন্দক্কী এম পি ইলেক্সন অসিদা বি জে পিদা ভোট পীখিবসি ওম্থোক্লা ৱাহম্থোক লৈনা লৌদবা য়াররোই।

মপূং ওইনা হন্দক্কী এম পিগী ভোট অসি তরাইনা খন্দোকপা য়াদে। তশেংনমক অচুম্বা, অরানবা অনীগী কল্লবা খোঙফম অমদি মীয়াম্না খঙনখ্রে। মতম শাংনদগী মীয়ামগীদমক কখোকচরক্লবা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিং খাঙুথক্তগী ৱারক্কী তয়ানগুম্বা লোয়ন-লোয়ননা ওইজনাম খরগীদমক সাধু শারগা মীয়াম্বু মাঙ তাকহন্নবগী তাৎ মরক্তা মীয়াম খঙনা উনা পীথোক্লখিবা ভোটকী ফলগী অৱাবা মণিপুরী মীয়ামদা করিগী তাররোইদগে। শেঞ্জাও পায়বা, পাৱর লৈবা, মতিক ময়াইনা মীয়াম্বু পংথহন্নবগী মন্ত্র বি জে পিগী শরৌ লাংদগী করম্না নাম্থোক্কনি। মীয়াম ৱাখল তামিন্নবা, খন্থহৌদবসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবা ওইরগনি। মসিগী মথক্তা হন্দক্কী এম পিগী ভোট তরাইবা নত্তে। মমাঙথক্কী ভোটতগী হন্দক্কী ভোট অসিনা শেঞ্জাও পায়বগী মতিক ময়াইগী ভোটনি। মরম অদুনা ওপোজিসন পার্টিগী খ্বাইদগী শোনবা তাঞ্জা অমসুনি। খ্বাইদগী অকনবা শাবা কোংগ্রেসসু মতম শাংনা লৈঙাক পুরকপগী মীয়াম্না হুগুম খানরে। মরকসিদা বি জে পিগী ৱারক্কী তয়ানগুম্বা মচিন্দা রাম-রাম শোল্লগা থাংজিল্লকপা খোঙথাংনা নমদুনা পাৱর শোয়দনা পায়নবা হোৎনরক্কনি। কোংগ্রেসনা শাংলবা চহী কয়াগী অচিক-অকোম খঙলগা থাংজিল্লকপা খোঙথাংনি। মপূং ওইনা ২২ কাবা বি জে পিনা ২৮ কাবা কোংগ্রেসপু মায়থীবা পীখিবসি তরাইবা নত্তে। লোয়ননা থুগাইবসু তরাইবা নত্তে। অদুবু অচুম্বা অরানবা অনীগী লালনি। অচুম্বগী মফমসি লৈরিবরা হায়বা ৱাহং অমদি মীয়ামগী থম্মোয়দগী কাংথোকপা ঙমদে। অচুম্বগীদমক মীয়াম লেপমিন্নরসি। অচুম্বগীদমক এম এল এ ময়াম পূল্লসি, অপূনবগী পাৱরনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্লসি, ৱাখল লৈরবা এম এল এশিংনা অপংবা মীয়াম্বু হোইদুনা পুবিরনু।



## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### মতম্না লাক্লবদা কদায়দনো নাথৈগদবা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হিংলিবা ঐখোয়সে কৈদৌঙৈ তাইবঙপান থাদোক্কনি। মসিমা অহিংবা মীওইবা অমত্তনা হায়বা ঙম্লরোইদবনি। মশা মথন্তা আত্মা ঘাট তৌবদুনা মখল অমা ওইখ্রগা, হিংখিগনি খন্দুনা আশা চাউনা লৈরিবা মহাক অদুমা নমদনা হিংদৌরিবনি। পামদা-পামদনা নোংমদি শোয়দনা তাইবঙপান থাদোক্লগদবা থৱায় পানবা জিব, ঙসি ফাওবসিদা ওমর ওইনা হিংদুনা লৈবসিবু য়াওরিব্রা? লোইনমক চৎখিগদৌবা, চৎখিবা ঙাক্তনি। মখা তানা ওৎলৈ-পালৈ তৌদুনা চিথি-নাম্থহৌবা য়ারোইদৌরিবনি। অহিংবা মীগা অশিবা মীগা মরুওইরিবসি করম্বনো? অশিবা মীনা অহিংবা মীগীদমক করিসু খনগদবা লৈত্রবনি। মীনা হাৎতুনা শিবা, এক্সিদেন্টতা শিবা, মপুন্সি লোইদুনা শিবা, মথন্তা আত্মা-ঘাট তৌদুনা শিবা... খূৎশিশিংসি কয়াদা য়ামখ্রবনো?

হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না ঐখোয় মশেল নুংশিনদনা মসিনা ঐগীনি, মসিনা মাগীনি হেঞ্জিনবা য়াদবা মখৈ হিংলিবনি হায়দুনা হিংনরিবা মুন্না খল্লুরবদি মসি কয়াম কুইনা চৎকদবা লম্বীনো? মানা তাইবঙপান থাদোক্লমদাই মতমদা মানা পুগদৌরিবসিবু করম্বা পোৎশকনো? অমত্তা পুবা য়াদনা অশি লৈবাক্তা চৎখিদৌরিবনি। চৎনবীগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা অমা শিদৌরবা মহাক্কী মনাক্তা বৈত্যা হায়বা অমা অদুমক লৈদৌরবনি। শিরমদাইগী মতমদা খ্বাইদগী নক্লা লৈদৌরিবসি বৈত্যা হায়বা ওজা মাইবদুনি। মহাক্লা হায়রকপা পোরমগী মতুং ইন্না খুদিংমক শেম শাদৌরিবনি। ইমুংদগী মাঙ্গোলগী ফমেন ফাওবা থাংদোরকপসিদা খঙহৌদনা মীকপ-মীরাওগী খোঞ্জেল লাক্তনীংঙাই লৈরোই।

বৈত্যগী ওজা লৈনা লৈনা ঐস্তা ওইগেরা, ওজা হায়বদুদি... মসিমক শোয়দ্রবনি। থাঙদোরকপদা লৈকায়গী শৈশকপা অমা অনী পুঙ য়ৈবা ওজা নমদনা য়াওদবা য়াদনা য়াওদৌরিবনি। অশিবা পুথোকপদা শীজিন্ননবা পুঙ, ঝানসিদি লৈকায়গী ওইনা কনাগুম্বা ইমুং অমদা থম্নবনি। মসিসু মী য়াম্লকপগী মতুং ইন্না মতম অমদা অশি-অনা থোরকপা য়াবগী থাজবা ওইরকপনা এক্সত্রা থম্নদবা য়াদবগী থম্নরক্কদৌরিবনি। অমা হায়বা ৱাহৈসি হৌজিক্কী মীরোলসিদদি ফজফম ইরৈ লৈতবগুম ওইরবনি। চৎনবীগী চৎনবীদা অশিবা মীদুনা মাঙ্গোলগী ফমেন্দা... মসি ফাওবসিদা কদায়দগী করম তৌনা ওইরকখিবনো? ৱাখল তাদনা ভিক্ষা হাপ্লবগী মতাং অমা লাকপা মসিদগী ঝান পায়দুনা খিংলিবা, ঈশৈ শক্লিবা ওজা অমদি পুঙ য়ৈরিবা ওজা নমদনা পৈশা থাবা হৌরবনি। মরী-মতানি হায়দুনা সংস্কার য়াওবা তারবা লুপা তরা চৎপী খরা য়াওদবা ইয়া য়ারত্ত্রবনি।


মীনা তৌরিঙৈ তৌদবদা চৎনবী খঙদবা হায়বদু নমদনা তাদৌরিবনি। চৎনবী ঙাক্লবা হোৎনবদা ফনা ফজনা হৌরম্বা শম ফাওবা কেনবা হৌনরক্লবনি। চৎনবীসিনা ঈশিং ঈচাউগুম তাথবা কৌবা লৈরক্তবনা পেঞ্জদবা মশীং য়াম্লক্লবনি। লোয়া লমদা ফাওবা লৌউবা পম্থানি হায়দুনা শরক শিদবা মখৈ খুলংগী পৈশা ফংলবসু ইঞ্জিন্না ঙম্নমক মহুৎ শিনখিদুনা মমৈদদি শূফম, চাফম লৈতদুনা অৱাবা হায়দুমা ওইরক্কদৌরিবনি। শূফম-চাফম লৈবা লৈতবা ঐখোয়গী চৎনবীনি হায়দুনা লৈথোক্তুনা মকা লাম্না লৈবা য়াবা নত্তে। হিংলিঙৈদনা উনবদা কৌনা ঙাঙনদ্রগা শিরবা মতমদা নুংশিবা শাদুনা মান্নবা পিরাং শিন্থদুনা মসিগুম্বসি লাইওইখ্রবা থৱায় মানা নোংমদোনথক্তা শোয়দনা নোক্লরমদৌরিবনি।

লান্ন-থৌরম, শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম: অনীসিনত্তবা করি অমুক লৈরিবগে? হিংলিঙৈ ফাওবদা অনী লোংবী... শিখ্রবা হকচাংনা তাইবঙদা তিনখ্রবসু অনী লোংবীসে করম্বনা অচুম্বনো, করম্বনা অরানবনো অদুমক ইশম শম্নবগুম তৌরিবনি। মসিনা অসুম লেংদনা লৈরবা মচা ময়াম অমা পোকথোরক্তুনা তুংগী মীরোলদি অৱাবা হায়দুমা নমদনা ওইদৌরিবনি। ইকায়বা খঙদ্রবা অনম্বু ফজনা কল্লবা, ঐগী-ঐগী অপাম্বদুনা হেল্লবনি খল্লবা, অউবা মীওইশিংনা মচিননা ঙাঙথোকপা ঙমদ্রবসু মথম্মোয়দদি ফজনা খনবদি ওইদ্রবনি। লাই ওইখ্রবা মানদি করিসু হায়দ্রবসু হিংহৌরিবা ঐখোয়না অদুনি অদানি হায়দুনা মীনা করি হায়নখিগনি খন্দুনা চৎনবী ঙাক্তবা য়াদে খন্দুনা... পূম্নমক অঙম্বা খরনা মহুৎ শিন্দুনা মসিদা ঙাঙনগদবা কনা কনানো? ঙাঙননীংবা মখৈ ঙাঙনসনু মতম কুইনা ঙাঙনগদবা নত্তে। পূম্নমক অসিগী খ্বাইদগী ফবদি চাউথোক্তনা শমজিনবা মসিদগী হেনবা অতৈ লৈত্রবনি। অৱৈবা খরনা থম্মোয় শেংনা অশিবা মাগীদমক মথৌ মঙম পাঙথোকপা মসিদা মীঙোন্দগী পৈশা পুশিন্দুনা ঙম্না-ঙম্নবা হোৎনবা মসিমা য়ারিবমখৈ তৌদবা ফরবনি।

লৈকায়গী, খুলগী শীংলুপকী অফংবা পৈশা খরদুনা ... হেঞ্জিন্না পাকথোক চাউথোকপা পাম্বা ঐখোয়সে থোল্লবা অমা মরাইনা লাকচবা হায়বদুনি মসিমক শিংলি নাওরিদা য়াওখিবনা খঙথা থাদোকপদা অৱাবা অমা ওইদৌরি? পৈশা থাবগী চৎনবী, ওজা অমদি মীয়ামদা পৈশা থাবগী হৈনবী ওইখৎলকপা মমৈদা করিদা তাদৌরিবা? শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী মফমদা থম্মোয় শেংনা কৎকদবা তাঙ্গদা হাপ্পা লৈগা লোয়ননা পৈশাসু য়াওদবা য়াদবদৌনা তৌনখৎলক্লবনি। য়াইনা-য়াইনা চৎনবী অমা ওইন-খৎলকপা মমৈদদি পুবা থাংবা ঙমদবা হায়বদু নমদনা ওইদৌরিবনি। য়েংবদা ওইদা ওইরবোই নীংলবা ঐখোয়গী তৌথোরকপা থবক থৌরম ওল্লকপা চহীদদি নমদনা লৱাইদা ঈশিং অশাবনা হিগা য়ৈবগী থৌদোক অদুমক লাক্কদৌরিবনি। ফনা য়াম্না হায়দুনসু শামু মনীংদা পেনা খোংবগী থৌদৌ তারক্কদৌরিবনি। শিবগীসু পৈশা! হিংবগীসু পৈশা! পৈশা পায়রক্তবদা লুদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাই ৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচৈ হায়না খোৎলগা য়েংবা মতমদা তিনকুপ থোল্লকপা অদুগী মতুংদা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা অমদি খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খোঙ হামদোক্তবনা মরম ওইরগা পূক গেষ্ট্রিক কাবা, পূক কংখৎলগা লৈবা অদু ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুশমবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা অহানবা নারকপা মতমদা অমাংথোংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচৈ হায়না খোৎলগা য়েংবা মতমদা তিনকুপ থোল্লকপা অদুগী মতুংদা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা অমদি খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খোঙ হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা পূক্তা গেষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলগা লৈবা অমদি শ্বর হোনবদা ৱাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবসু তুমগন্দবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোং ময়াদা মচা অমা পোমথোরকপা, অদুগা মশানা অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক চাওথোকপা অমুক হঞ্জিনখিবা তৌরগা অদুম লৈবা, অদুগী মতুংদা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক হেন্না চাবা য়াদবা, হেন্না চারগনা ঈ তাবা হেনবা অমদি হকচাং য়াম্না চোকথ-ৱাম্থবা, খোঙ অকনবা ওইনা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোং মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, তৎপদুনা মরম ওইদুনা অমাংথোং নাবা অমদি শাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, খ্বাঙ য়াঙলেন নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বশিং অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (Sun & Wed open)

HL-P/6171/10 *থাগৎচরিবা :* **Ch. Dickson, Mayang Imphal.**

**IN THE COURT OF ASSTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III**

**Ref :- Mutation Case No. 111/AS&SO/III dt. 08/05/2019**

1. Karam Ranjita Devi D/o K. Chaoba Meitei of Wangkhei Lourembam Leikai
2. Karam Robert Singh S/o K. Chaoba Meitei of -do-

*...Petitioners.*

-Vs-

Karam Chaoba Meitei S/o Pakchao Singh of Wangkhei Lourembam Leikai.

*...Opponent.*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dt. 09-05-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok Village পাট্টা নং. 190/Angs অরিবা 52/1794 অনৌবা দাগ নং. 1328/2673 এরিয়া 0.02 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Karam Chaoba Meitei S/o Pakchao of Wangkhei Lourembam Leikai মৃতু: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৬/০৫/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement**,
Officer-III, Imphal, Manipur.

HL-P/4228/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 317/SDC/IW(P) of 2019**

1. Shri Sinam Dinesh Singh, S/o (L) Bijoy Singh of Changangei Makha Leikai.
2. Sinam Robikanta Singh, S/o (L) -do- of -do-.

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Shri Sinam Bijoy Singh S/o (L) Merajao Singh of Changangei.

*...O.P. Party*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dt. 9/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৭৮/৪৬২/৯১৮ অনৌবগী দাগ নম্বর ১৩৫৯/১৬৭৫গী পোইন্ট .১১ একর চাওবা ইংখো লম অসিগী কো: পট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/ লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৭/৫/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Imphal West, Patsoi

HL-P/4103/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mut. Case No. 293/SDC/Oinam of 2019**

Loukrakpam Mangol Devi W/o (L) Ibomcha Singh of Keinou Thongthak Awang Leikai. *...Applicant*

-Vs-

1. (L) Loukrakpam Ibomcha Singh S/o (L) Sangai Singh of Kei-nou Thongthak (0.0975 acre)
2. -do- Premchand Singh S/o Membhor Singh of -do-
3. Wahengbam Lata Devi D/o Angou Singh of -do-
4. Thiyam Soni Devi W/o Mangoljao Singh of Ningthoukhong Kha *...O.P. Pattadars*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Oinam, the 9th May, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২ - কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ৬৪৯/১৮০৬ দাগ নম্বর ৫৪৫/৪৩২০ (অনৌবা) এরিয়া একর ০.২২২৫ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী ১গী শরুক মখৈ মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

*Sd/-* **Victoria Huidrom**,
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/4232/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।